ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ০৫, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৪৮শুবা মশীং

লাইনীং লম্বী ইকায় খুম্নসি

ইরাং থোক্লনবা শীনবশিং লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙউ

মীওইবা মশেলগী মরক্তা হাৎন-শুনবা, খৎন-চৈনবা অমসুং নুংশিনদবগী মরু ইহুল তম্বসি নুপী-অঙাংগী ৱাফম, লৌরি-য়ূম্ফমগী ৱাফম অমসুং লাইনীং লম্বীদা করেম কথায়নরকপগী ৱাফমদগীনি হায়না লৌবা য়াই। নুপী-অঙাংগী ৱাফমদগী পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা লাঞ্জাও কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। লৌরি-য়ূম্ফম ৱাফমদগীসু লাঞ্জাও থোকপদা নত্তনা পাক্তক্লনা মী শিবগী থৌদোকসু থোক্লিবনি। সমুদ্রনা পুমকোয় কোয়শিল্লগা লৈবা অপীকপা ঈথৎ অমখক্কী ৱাহৌদা জপান অমসুং চাইনা অনীগী মরক্তা চাউনা উংখৎনখিবগী থৌদোক থোকখি। মণিপুরদসু ঙমখৈ অমদি অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ইহৌদা মীওই ১৮গী পূন্সি কৎখিবগী থৌদোক লৈখি। লৈবাক অমদি লৈঙাক মুন্নবগী লোইবা খন্বা নাইদ্রবা লানফম কয়া মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থোক্লি। পূম্নমক অসিদগী হেন্না নুংঙাইতবা থৌদোকশিং পনবা তারবদি মীওইবা কাঙলুপনা মানা মানা নীংনরিবা, চৎনরিবা লাইনীং লম্বী অদুবু মখোয় মখোয়না নীংনদে, চৎনদে হায়দুনা করেম কথায়নবা মানবা থৌদোক কয়া চখ্থরকপা অসিনি। ইস্লাম লাইনীংবু চেৎনা থাজজবা মুস্লিম কম্যুনিটিশিং শাওহন্নবগীদমক প্রোফেট মুহম্মদকী কোক্তা হাপ্পা কোকয়েৎকী মহুত্তা হেন্দ গ্রেনেদ ওইনা হাপচিল্লগা কার্টুন য়েক্লুবগী ৱাহৌদা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংনা নম্না খুন্দাবা লৈবাকশিংদা অচৌবা ইরাং থোকখি। অমেরিকা মচা অমনা ইস্লাম লাইনীংবু করেম কথায়নদুনা প্রোফেট অহম্মদকী মতিক ময়াই শীংনবা ফিল্ম পুথোক্লগা উৎলুবদগী মরাল লৈজদবা অমেরিকা মচা কয়ামরুম হাৎখিবা অমসুং ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপশিংগা মরক্তা উংখৎনবা মানবা থৌদোকসু থোকখি। পূম্নমক অসিনা তাক্লিবদি মীওই ফুরুপ অমনা চৎলিবা লাইনীং লম্বী অদু মখোয়না ফৈ নৎত্রগা পাম্মী হায়দুনা চৎলিবনি। মখোয়গী অপান্বগী মায়োক্তা অকনবা ৱা হায়বসি খৎনবা হৌবগা চপ মান্নে। নিংথৌ পাল্লিঙে মতমদা মণিপুরদা রামান্দি লাইনীং চৎহন্নবা হোৎনবদা নিংথৌনা মীওই কয়া হাৎখি। মখূৎতা লান্মী, ৱায়েল থৌদা অমসুং ৱায়েল শঙগী লুরবা মঙম অহুম অসি পায়রগা লৈরিবা নিংথৌনা মতম অদুদদি তৌগে হায়বতা তৌবা ঙম্মী। মহাক্কী অনীংবা অপান্বগী মায়োক্তা মীওই ফুরুপ অমনা লেপ্লা ঙম্বা নত্তে। অদুবু মশাগী ঈদা-তোংদা য়াওজরক্লবা লাইনীং অদুবু থাদোকউ য়াদে হায়বগীদমক নিংথৌনা তমথিরবা চৈরাকশিংগী মনুঙদা ঙবোং খাওদা নম্লগা মীতৈ কয়া হাৎখিবগী থৌদোক ৱাথোকশিং লৈরিবনি। চীংদা খুন্দারিবা চীংমীশিংসু মতম অমদদি মখোয় মখোয়গী তোঙানবা নাৎ, চৎনবী কয়ামরুম লৈরম্মী। হায়রিবা চৎনবীশিং অদু মীশিং য়ামদবা ফুরুপ ওইবগী মথক্তা চোয়না-চোয়না খুন্দানবনা বৃটিশকী খৃষ্টিয়ন লাইনীংবশিংনা ইরাই লায়না মখোয়গী থম্মোয় খুদুম চনশিল্লগা খৃষ্টিয়ন লাইনীং শন্দোরকখিবগী ৱারী লৈ।

মীতৈশিংনা য়াম্না লুনা লৌনরিবা লাইশিংগী মনুঙদা মায়কৈ ঙাকপা লাই মরি হায়বদি থাংজিং, মার্জিং, কৌব্রু অমসুং ৱাংব্রেন খানা চাউবা য়াওরি। মালেম খুন্থোকপগী ৱারী লীখুনদা মীওইবনা খ্বাইদগী হান্না খুন্দাখিবা মফম অসি অৱাং কৌব্রু অসিদগীনি হায়নসু লৌনরি। হিন্দু লাইনীং চৎপশিংনা লৈখিদ্রবা মীওইগী লাইবক্কী শরূ পুদুনা নবদ্বিপ নৎত্রগা বৃন্দাবন্দদা অরোয়বা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগুম মীতৈ লাইনীং চৎপশিংনসু লৈখিদ্রবশিংগী লাইবক্কী শরূ পুদুনা কৌব্রু লাইফমলেনদা অরোয়বা মথৌ মঙম পাঙথোক্লরিবনি। আসামগী শরুক অমা ওইরিবা কছার অমদি ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা মখোয় মখোয়গী লৈখিদ্রবা মচিন-মনাও, মপা-মমাগী লাইবক্কী শরু পুদুনা মতম চঙনা লাইফমলেন অসিদা লাক্লগা অরোয়বা মথৌ মঙম হৌজিকসু লেপ্তুনা পাঙথোক্লরিবনি। লাই হরাওবগী থৌরম খুদিংমক্তা মায়কৈ ঙাকপা লাই মরিদা লৈ মনা অমত্তসু কৎনরিবনি। হায়রিবা লাইফমলেন অসিদা মীওই কয়ানা চহী খুদিংগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা চৎনরি। অসিগুম্বা লাইফমলেন অসিখক্তা নত্তনা মীতৈশিংনা নীংনরিবা লাই অয়াম্বা চীঙথক্তা লৈ। অসিগুম্বা চীঙশাং পরেং অসিদা চহী খুদিংগী মীওই কয়ামরুম কাদুনা লাই খুরুম্নে। খ্বাইদগী মরুওইনা কৌব্রু লাইফমলেন অসিদা শুরুং অমা লৈ। হায়রিবা শুরুং অসি করম তৌবনো হায়বা খঙনিংবা মীওই কয়াসু মফম অদুদা চত্তুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চখ্থনৈ। কৌব্রু লাইফম্লেন চীংদোন্দা কৌব্রু ইপা-ইমাগী লাইশঙ শাননবা মহৌশা কনবা লূপনা শীল-লাংদুনা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনসু কৌব্রু লাইফম্লেন, লাই পুখ্রি অমসুং ইবুধৌ থাংজিং লৈরিবা মফমশিংবু মণিপুর এন্সিয়েন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্টস এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স এক্ট ১৯৭৬ কী সেক্সন ৪গী সব-সেক্সন (১)গী মখাদা প্রোটেক্টেদ এরিয়ানি হায়না লাউথোক্লনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হীরমসিগা মরী লৈননা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা নবেম্বর ২৬তা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা কৌব্রু লাইফম্লেন, লাই পুখ্রি অমসুং ইবুধৌ থাংজিং লৈরিবা মফমশিংবু প্রোটেক্টেদ সাইটনি হায়না লাউথোক্কদৌরিবা অসিদা কনাগুম্বশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি নোটিফিকেসন অসি থোকখিবা নুমীৎতগী পারগা থা ২গী মনুংদা মখোয়গী ওবজেক্সন অদু ফাইল তৌরকপা য়াগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে। কৌব্রু ইপা-ইমাগী লাইশঙ শানবা থৌরাং তৌরিবা অসিবু থিংননবা হোৎনরক্লি। তোঙান তোঙানবা মায়কৈশিংদগীসু লাইশঙ শাবগী মতাং অসিদা ৱাফম কয়া থম্নরক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঈরাং থোক্লবা শীনবশিং লৈঙাক্লা মতম চানা মীৎয়েং চঙউ। পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা পুম্নমক্লসু থৌদাং লৌসি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?

২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) “ইনুংশোয়গী ঙাচিং” হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) “অরায়বা ৱারেং লাইরিক” হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?

৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি “লৈপুন”, অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লাইবক মখল অমা

ৱাইরু-ৱাইরুবদা

চীংখৈন্না থাগৎনরবা স্কুল অসিগী ওজা অমনি। মশাগী চহী ৪৫ খরা হেল্লে। ওজা ওইঔদেগী মহাক ময়ূম মকৈসু পানশিল্লে। অঙাং-নুবী লৈরে। মানা পুরিবা স্কুল অদু গভর্ণমেন্ট স্কুলনি। মীয়াম্না নুংশিবা ওজানি। লাইরিক তাকপা য়াম্না ফবা ওজানি। স্কুল চাং নাইনা কাবা, অঙাংগী খনবা ওজা অমনি হায়রি। লাইরিক লাইশু তাকপা ফৈ হায়দুনা মনা অমসু পীবা লৈখ্রে। স্কুলগা ময়ূমগা কিলোমিটর কয়া লাপ্পরবসু মহাক মতম চানা স্কুলদা য়ৌবা ঙম্মী হায়রি। মহৈরোয়শিংনসু মাবু ইকায়খুম্নে। লাইরিক তাকপসু য়াম্না হৈ। মাগী হৌজিক অৱাৎপা অমত্তা লৈতে। অমুক্কা হঞ্জিন্না হায়জরবদা লৈবাক্লা মাবু অফবা, তমজনীংঙাই ওইবা ওজানি হায়না থাগৎলি।

অমরোমদা মঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজদ্রিবদি মহাক্লা মেত্রিক পাস তৌহৌদবা অসিনি। মসি মীয়াম্না খঙখিগদ্রা হায়না মতম পুম্নমক্তা নুংঙাইজদবা অসিনি। মহাক ফীভম অমদগী লাইরিক তম্বা খাঙুথক্তা তোকখিবনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা অমুক মহাক্লা ওজা ওইরিবা অসিসু স্কুল শুক্কা কানীংদ্রবা ওজা অমগী মহুৎ ওইনা পুবনি। মসি পূম্বা মানা কনাদা খঙহন্দনা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না ৱাবা থবক অমনি। থওইনবু থিজিল্লুরবুদি কনানদি খঙলোই অদুবু মাগী ফজবা ওজা ওইবগী লিচৎ-শাজৎ অমদি মতিক-ময়াই অসিনা হেনখিবনা মাগী মরমদা শিদ্রগুপ্তা থোইনা থিজিন্নীংলুদ্রে।

মাগী পুন্সিগী মরুমদা লৈরিবা অশেংবা অওইবা অরোৎপা ৱারী অমত্তা কনা অমত্তনা খঙনদে অমদি মাগী লৈকায়দফাওবা মহাক ওজা ওই হায়বসি কনা অমত্তনা খঙনদে। স্কুলগী হেদ মাষ্টর অদুফাওবা মহাক মেত্রিক পাস তৌদে হায়বা খঙদে। অশেংবা ওজা অদুদি মহাক্লা মফম অসিদা ত্রান্সফর থারকপা নুমিত্তগী অদুম লাকখিদ্রে অদুনা মীনা মাগী মরমদা করি অমত্তা খঙনদ্রে। অশেংবা ওজা অদুগী মমীংদি সনাজাওবা কৌই। ওজাদুগী মমিং লৌদুনা চীংখৈন্নাবু মীয়াম্না ওজা সনাজাওবা হায়না কৌই। হৌজিক্তি চীংখৈন্নানা মশামক ফাও চীংখৈন্না কৌই হায়বসি কাউজরে। অদুবু করিগুম্বদা মহাক ইকায়জরকপা অমদি হিংলিবা পুন্সিবু নোকনীংলকপা ফাওদবদি নত্তে।

নোংমা স্কুল অদু নৌনা পুবা থবক ফরবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমনা ইন্সপেক্সন লাকপা মতমদা রেজিষ্টর অদু ফাল্লগা ময়ামগী মমাঙদা ওজা সনাজাওবা হায়রিবা অসি কনানো হায়না হংলম্মী। চীংখৈন্নানা মশা অদু নিক্লদুনা খুল্লম্মী, হোয় ঐ ওজা সনাজাওবনি। মিনিষ্টর অদুনা ওজা সনাজাওবগা মতম অমদা ক্লাসমেট ওইমিন্নরকপা মানবা ৱাঙাঙ অমসু মাগী ৱাঙাঙদা হায়ফেৎ য়াওরি অদুবু অশেংবা চপ চাবমক্তি খঙবসু মান্দে। মহাক অশাবা ওজানি খঙখিবা তারে অমদি থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবীবা তারে হায়না হায়ফম খঙদনা পাখৎপা ফাওরে। লাইবক ফবদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অদুনা চীংখৈন্নাদা মখা তানা ৱা হংলকখিদ্রে। ওজা মহুৎনি হায়বা খঙলম্বসু য়াই। অদুবু চীংখৈন্নানা মতোমতা মীৎকুপ অদুদা শোনজে, “চুম্নতা ঐগী মীং করি কৌই হায়নতা মিনিষ্টরনা হংজবা ওইরমসনুকো, হে ঈশ্বর ইবুংঙো।” চীংখৈন্নানা হুমাং মরীকশিং লোন্না তৈথোকই। মিনিষ্টর অদু স্কুল অদু থাদোক্তুনা ৱা মখা তারমদনা অদুম চৎখ্রে।

থা খরগী মতুংদা ওজা অশেংবা ওইরিবা ওজা সনাজাওবা অদু লিভর সিরোসিস নাদুনা লৈখিদ্রে হায়না স্কুলদা পাউ তানরে। ওজা সনাজাওবনা স্কুলগীদমক অৱা অনা থিদনা তৌবিরম্বা অফবা থবক কয়াগীদমক মিনট ২ লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোক্লরে। ওজা সনাজাওবা লৈখিদবনা মরম ওইরগা চীংখৈন্না হৌজিক স্কুল কাবা লেপখ্রে। মাগী নুপীনা চীংখৈন্নাদা স্কুল কাউ য়াদে হায়দুনা নুমিৎ খুদিং চৈবা হৌরক্লে। অদুবু ইকায়দুনা ৱারী পূম্বা হায়দোক্তে। ওজা সনাজাওবা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল কয়া পাউচেশিংদা হাপ্পরক্লে। পাউ তাবা স্কুল মনাক্কী মহৈরোয়শিংনা অমদি স্কুল লৈরিবা লৈকায়গী মীয়াম্না লোইনা কপ্পরে।

চীংখৈন্না ঙাওদুনা চৎলে হায়বদু য়ৌরে। সিকি থোক্ত্রে। নুপীনা চৈবা লেপ্তে মরম খঙদবনা। য়ূম শাবগী জুগালি খরা ওই, নূং থুগাইবা খরা য়াও হিংন-হিংনবা হোৎনবা হৌরে।

নোংমা মাগা চেক হোনমিন্নবা নুপা অমনা হংলকই, “শোমবু ঐখোয় লৈকায়দা ওজা ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ওজা সনাজাওবা হায়বদুগা ওন্থোক্লা মশক মান্নখ্রেদা?” মানা খুন্মী “হোয় ঐ লৈখিদ্রবা ওজা সনাজাওবদুনি হায়রবসু য়াই। য়াম্না কুইরে ঐ লৈখিদবা। ঐনা শিরিবা অসি মওং কয়া থোক্লা শিবনি। ঐগী ঈজৎ শিরে, ঐগী শেন্থোক লন্বী শিরে। ঐ হিংলুবগী করি অমত্তা কান্নদনা শিরে। সিগী খূৎশি অসি ঐ মমাঙদা অমুক্তা শিখিদ্রি। ঐ ফনা য়াম্না কুইনা শিখিদৌরি। কয়া কয়ারক হন্না ঐ শিখিদৌরি।” চীংখৈন্নানা ৱারী পূম্বা মমান্নবা অদুদা শিৎ নান্না লীরে অদুগা হায়জে, “পুম্নমক মঙলান ওইরল্লবদি ফখ্রনিদা হায়না খঞ্জরিবনি অদুবু লাইসে নীংজরবদি ঐবু য়াম্না মীরাইবীবগুম্না তৌই। য়াদে অদুম তাইবঙ ওইদুনা লৈ।”

নোংমা মাগী চেক হোনমিন্নবা নুপা অদুনা হায়রকই, “নহাক্লা ক্লাস য়ামজদ্রবসু লৈখিদ্রবা ওজাদুগী মহুৎ শিন্দুনা লাইরিক কয়া তাকপদা লেট্টর চৎপা মহৈরোয় কয়া কয়া লেপ্লা লৈতনা পুথোকখ্রে হায়রে। চাং নাইনা স্কুল কাখ্রে হায়রে। ও কে, অশেংবা ওজা অদুনা স্কুল কাবা তোক্লগা মহিরেল পায়দুনা ময়ূমদা লৈরে। মানা শোমদা তোলোপতগী শেল খরা খরা খাইবিরে। অদুনদি হৌজিক মহাক শিখ্রবনিনা নহাক্লা অমুক ওজা ওইহৌবদা করি কায়বগে? মাগা ইতাওবীগা অসিবু কনানা হেন্না ফফম থোকপগে? নহাক্লা হেন্না ফৎত্রা? টিচিং দিগ্রী পায়গেরা পায়রোইরা, মহে-মশীনগী থাক শুগেরা শুরোইরা নহাক্লা তম্বীবদা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্লবদি অফবা ওজা অমা নৎত্রা? ওজা চীংখৈন্নানা খুন্মী, উম, উম, উম হায়নতা অদুগা নূংথঙ অদু ৱাংনা থাঙ্গৎলগা লৈজবী থাদুনা নূং অদুদা হাইথৈ নূং অদু কায়য়ু য়াদে। ●

লাই নীংবা হায়বরা, লাই লাৎপা হায়বরা -৩

নবকুমার ওইনা

লাইগী মীংদা চৈরাওরগা কৈদৌগে হায়বনো? চৈরাওরম্মী হায়রিবা লৈবাক্তুনা লৈত্রবদা, অৱাং মেরুদা চৎলগা চাক চরা অমা চারগা চৈরাওবনা কৈদৌগে হায়বনো? চৈরাওবা পান্বা মীওইশিংনা মশাগী লৈবাক্কী করি খঙলিবগে, করিবু ঙল্লিবগে? চৈরাওরগা কৈদৌনগদৌরি? চৈরাওবগী লাইদুবু লাৎলিব্রা, নীংলিব্রা? লাইদুনা করিবু পীরক্কদৌরি। মীওই খরদি চৈরাওবা ইকায়রে হায়রি। লাইসু চয়ান-খয়ান তৌবা য়াওরক্লি। চৈরাওরম্বা লাইদু শিন্দোক্লবা তৌরিব্রা?

চৈরাওরিবা মীওইশিংগী লিংজেলসিনা চহী কয়া চৈরাওবা ঙমখিদৌরি। চাক চানবা ওইনা লৌনখ্রবদি খঙদ্রে। কুম্মে ওইনা লৌনবগী ৱা মাল্লক্লি, থোইনা নীংবা করিসু লৈত্রিবা ওইগদৌরি। কয়াবু কুইনা ঙমজরুদৌবনো, চাশিল্লগা তুম্নখ্রগদৌবা ওইরিনি। লাইদা ঙাওবা খরনা লাইশোন চুম্মী-চুমদে, হৈকৎ-লৈকৎ চুম্মী-চুমদে, লাই চুম্মী চুমদে তৌরগা লৈনবা য়াওরিবনি। লাইদু লৈরমদ্রবদি করি অমত্তা পীরক্লরোই হায়বসিদি মশানা তাবনি। অদুম নিরগা লৈরো, অদুম নীংলগা লৈরো, অদুম লাৎলগা লৈরো, থবক্তি হৌরুরনু। অদুম মুৎচখ্রগনি। কৌব্রু কাবা য়ারক্লরোই, থাংজিং চীং কাবসু য়ারক্লরোই, কদায়দা লাই লাৎলুগে হায়বনো? লাইফম্না পীথোকখ্রগা লাইনা কৈদৌনগে হায়বা, মীগীনা লাই থাংজিল্লক্লগা লম লৌশিল্লি, লাইশঙ শাজিল্লক্লি। মীৎ লাউনা পাংলগা উদবসিবু লাওতাং তাংবা কৌই। লাওতাং তাংবশিংনা লাই লাৎপা হৈবা হৌনদে। লম কনবা ঙম্বা হৌনদে। পাকিস্তান্দা হাৎলগা কাশ্মীরদা চঙশিল্লগা শিরগা লম কল্লে হায়বসু লৈ। শিরবা ফাওবা লম কনশিনবা ঙম্নরিবনি। লম্পাক অসিদসু অশিবশিং লম কনবা অদুম চৎনরিবনি। মদু য়াদবা লৈবাক লৈরক্লবনি। চৈরাওবশিংনা করিসু হায়বা ঙমদে। লাওবসু ঙমদ্রে। তোকখিবা য়াবসি চৈরাওবগী লাই লাৎপসিসু অমনি।

ফুরুপ অমা ওইনা হিংখিগে হায়রবদি চৈরাওদবা য়াদে। হিংবা হৌবদুবু চৈরাওবা কৌগদৌরিবনি। চাক চরা অমা, লাইদা চাকলুক কৎপনা লোইবা য়ারোই। মোইথেমদা ইন্দুনা লৈবা য়ারক্লোই, লাইহন তৌবা, কনাগী অয়েৎপা লৈরিবগে খঙবা নুঙ্গোয়বীদা লালু চনবা ঙম্বা য়াওনদ্রবরা? মীগী মপা-মপু লাৎকে হায়ব্রা, ঐখোয়গী ইপা-ইপু লাৎকে হায়ব্রা? মীওইবগী অহানবা ইপা-ইপুনা পোকফম, মমিং মথা খঙনরব্রা? লাইনি হায়বমখৈ মচা-মশু ওইবশিংনা নীংজবনি। মীগী মপা-মপু হায়বসি ঐগীসু ইপা-ইপু ওইবদি য়ারব্রা? ঐগী ইপা-ইপুসু ময়ামগী ইপা-ইপু নত্ত্রা? ইপা-ইপু য়েৎনরিবা করিগীনো? মী উশিৎনদবা য়াওনরব্রা, য়ূম্নাক শাগৈ খঙনদ্রবরা? মপা-মপুগী য়ূম্নাক হোংদোক্লগে হায়ব্রা। য়ূম্নাক শাগৈ হোংবা য়াই, মিং হোংবা য়াই লৈফমসিগী শক্তম হোংহনবা চুল্লোই, ৱা য়াম্নরকপা তাবনি। থৌ লৈতনা থৌ থিরগা ৱাথোকশা ওইনা চংলকপা ঙম্নফম থোকপ্রা।

লান ঙম্নবা লাই লাৎনরম্মী, লাই লাৎপশিং করিগী মায়থীবা ওইগনি। লাইদু লাল্লব্রা নৎত্রগা লাইদু লৈতবরা? লাইগী পাউতাক্তগী ওর্গনাইজ তৌনরম্বনি, লাইদু লাল্লবদি ওর্গনাইজেসন অদুসু লানবা তারকই। লমসিদসু লানবা য়াওরমগনি। ঙসি ফাওবা খঙনদ্রিবরা, অঙম তান্নরিব্রা? ঙম্নবা হায়বসি মুক্লা শান্নরগা খঙনগদৌবা নত্তে : লাইদু ফংনবা, খঙনবা নীংগেরা নৎত্রগা লাই লাৎপদু তোক্লবা তারকপনি। তোক্লখিবা লমদম লৈরবনি। মদু খঙদনা লাইগী মীংদা ইকায়বা খঙনদ্রবদি লাইদু হঞ্জিন-হঞ্জিন লাল্লকই। লাই শীজিন্নবসু লাল্লি, লাই খঙদবসু লাল্লি। লাই লাৎপসি থবক লৈতবশিংগীদমক লাইনা শিনবদি নত্তে। থবক ঙমগে হায়বগীদমক লাই লাৎশিনবনি। মদু খঙহৌদবশিং লৈখা তাখিবা তাবনি। লাই য়াওনা লৈখা তাবসু য়াই, মী লৈখা তাবদা লাই য়াওখিবা য়াওই, লাই লৈখা তাখিবদা মীওইবদি য়াওরোই। মালেমদগী লাইদি লৈখা তাবা হৌরক্লবনি, খঙনদবগী তৌবনি। লাইদুনা নত্তে, মীওইবননি। লাইনা হায়বা চুম্না চৎপা ঙম্বা কনাসু লৈত্রে। মালেমসিদি হোংলবনি, লাইনা নত্তে, মীওইবননি। খঙজদ্রিবসু মীওই খরতনি। মখোয়না লাই ফত্তবা লাৎপগুম্না মীওইবা মরক্তা ৱাথোক শাগৎতুনা অদুম লৈগনি। ৱাখল হোংবা ঙমদবসি লাইননি হায়গনি। মখোয়বু হোংহনবা ঙমগদৌবসি লাই নীংবদু তোকহনবা হায়বসিনি। লাইগী ৱাসি য়াম্না ঙাঙনগুমসি হায়বসি লাইগী মীংদা খুদোংচাবা লৌবশিংনি। লাইগী মীংদা মী হাৎকনি, দ্রগ চাগনি, চারবনিনা লল্লোনগনি। শেল পাল্লকপদগী ব্লেক মার্কেট তৌরক্কনি। লাইদি নীংশিন্নগনি, লাইগী শাজৎতি উবা ফংলোই। লাইনা য়াবা লায়রি মীনা য়াদবা, লোনা য়াদবা শাজৎ ঙাক্তা চৎলক্লিবনি। কাঙলূপকী লাই লাৎলি, নাইতোম হুরানবা ঙম্নরি। হুরানবা ময়ামগী কাঙলূপ্না লাই নীংবনি হায়বা য়াবা নত্তে। হুরানগেরা লাই লাৎকেরা অনীমক পুনবদি য়ারোই। তুপীনা, কোকয়েৎনা লাই নীংবা মাল্লগা শাজৎনা হুরানবা লাইনা য়াবা নত্তে। মদু য়াবা লাইদু লৈরম্বা হৌনদে। অদুনবু লাই হায়বা লৈতে হায়বনি।

লৈতবদু লাৎশিন্নরগা লান তাশিল্লিবনি। মদুদা লান্দা মায়থীরবশিংনা চোংশিল্লগা য়াওশিনখ্রিবনি। কয়াদা ইকায়বা খঙদ্রবনো, মায়থীরগা মীঙোন্দা নপচবা কাঙবুনা চৈরাওবা হৌনদে। লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুনা লান্দা লমজিংবীরদৌবা নত্তে, ঐ অমসুং ঐখোয় পুনবদা ইপা-ইপু নীংশিংনবগী ৱাতনি। নিবগীদমক ইপা-ইপু লাৎপা নত্তে। ফংলোই, ফংগনি খনবদি লাই নীংবা নত্তে। লৈখিদ্রবা ইপা-ইপুদা ইন্থোক্লগা ঙায়দুনা লৈরগা করিসু ফংগদৌবা লৈতে। মদু খঙনা পুনবদুনা ইপা-ইপু নীংজবা অমসুং ইপা-ইপুগী মায় ঙাকপা কৌগদৌরিবনি। তাৎ তৌবনা লাই নীংবা শাবা য়ারোই, লাইদু লৈখিদ্রবশিংনি। ●

হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ ইন্দিয়ান ভুজাপত্র

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ইন্দিয়ান ভুজাপত্র নৎত্রগা ভুজাপত্র নৎত্রগা ভুজপত্র হায়রিবা অচৌবা উজাও পান্বী অসি মণিপুরীশিং মরু ওইনা মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈশিংগা শাগোন্নরবা পান্বীলক্তগী শীংথানীংঙাই ওইবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। ইন্দিয়ান ভুজাপত্র হায়রিবা পান্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান বির্চ (Indian birch), হিন্দিদা ভুজপত্র (Bhujpatra) নৎত্রগা ভোজপত্র (Bhojpatra) নৎত্রগা ভুজীপত্র (Bhujipatra) নৎত্রগা কামভুজ (Kambhuj) নৎত্রগা কামভুজ শৌরি (Kambhuj souri), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *বেতুলা এলনোইদিজ (Betula alnoides Buch-Ham ex D. Don)* নৎত্রগা *বেতুলা এক্যুমিনাতা (Betula acuminata wall.)* নৎত্রগা *বেতুলা এফিনিস (Betula affinis (Spach) Endl.)* নৎত্রগা *বেতুলা নিতিদা (Betula nitida D. Don)* নৎত্রগা *বেতুলা সিলিন্দ্রোসতেক্যা পিলোসা (Betula cylindrostachya pilosa (Regel) Regel)* নৎত্রগা *বেতুলা সিলিন্দ্রোসতেক্যা সবগ্লাব্রা (Betula cylindroslachya subglabra Regel)* নৎত্রগা *বেতুলাসতর এক্যুমিনাতা (Betulaster acuminata (Wall.) Spach)* নৎত্রগা *বেতুলাসতর এফিনিস (Betulaster affinis Spach)* নৎত্রগা *বেতুলাসতর নিতিদা (Betulaster nitida (D.Don) Spach)* হায়না কৌই অমসুং *বেতুলেসী (Betulaceae)* শাগৈদা চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্বী অমত্তং হায়রবদি পরেঙ্ হায়বদি হিমালয়ান এলদর ত্রী (Himalayan elder tree), বোতানিকেল নৎত্রগা সাইন্টিফিক্কী ওইবা মমিংদা *এলনস নেপালেন্সিস (Alnus nepalensis D.D.)* অসিনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী অসি ইন্দিয়া, নেপাল, ভুটান, কম্বোদিয়া, চাইনা, লাওস, ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামগী মফমশিংদা মিটর ৩০০দগী ২,১০০ ফাওবা ৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। করিগুম্বা কান্দসু ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী অসি হিমালয়দা মিটর ২,৭০০ ৱাংবা মফম ফাওবদা হৌবা থেংনৈ হায়বগী পাউদমসু লৈ। লৈঙোইগী চাং খরা হেন্না য়াওবা লৈঙাঙ তাবা হোমতক তৌবা চীংগী লৈবাক-লৈশাদা ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী অসি হেন্না চুশিন্ননা হৌবা থেংনৈ। ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী অসি খরা ঈংতক তৌবা টেম্পরেটকী লমদমশিংদগীনা খরা শারপ তৌবা সব-ত্রোপিকেলগী অঙীং-অশাদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। অৱাং নোংপোক ভারতকী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুর অমসুং মেঘালয়াদা ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী অসি নীংথিজনা হৌই। হিমাচল প্রদেশকী খরা নেমতক তৌবা মফমশিংদা ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী অসি অদুমক মরাঙ কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী অসি লৈহাও ইচেন চেন্দ্রবা লৈবাক লৈশাদা অদুমক মপূং ফানা হৌবা ঙম্বা মরম্না পান্বী অসি উ-ৱা নিংথিজনা হৌবা ঙমদ্রবা অমসুং উমং-ৱামং কোকথোকখ্রবা মফমশিংদা অনৌবা উমং-ৱামং শেমগৎপদা শীজিন্নে। পাউদমশিংগী মতুংইন্না অৱাং থংবা থাইলেন্দগী মরূ কোক্লবা অমসুং মগুন য়াম্না হন্থখ্রবা উমংশিংদা ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী থাদুনা অমুক হন্না অফবা মগুন লৈবা উমংশিং শেমগৎখ্রে। পান্বী অসি অমুক হৌখ্রবদি উচেক অমসুং শেকপীগী মতেংনা অকোয়বদা থুনা শন্দোকখিদুনা মগুন লৈবা উমং অমা ওইহল্লি।

ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বী অসি ফুট ১৩০ ফাওবা ৱাংবা দেসিদুঅস হায়বদি চহী অমগী মনুংদা মতম খরা মনা কেনগনবা উজাও পান্বীনি। পান্বী অসি ওক্টোবর থাদগী জন্যুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা কুপ্তুক তৌবা অঙৌবা মচুগী লৈশিং শাংতক তৌবা মখোক অমদা চরোং ওইনা শাৎলি অদুগা মার্চ থাদগী মে থা ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরূশিং পাল্লি।

ইন্দিয়ান ভুজাপত্র পান্বীদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি বেতুলিন (Betulin) অমসুং বেতুলিনিক এসিদ (Betulinic acid) অসিনি। ভুজাপত্র পান্বীগী উগী মকুদা য়াওরিবা ইসেন্সিয়ল ওইল হায়রিবা থাউ অদুগী চাদা ৯৯.৪ রোমদি মিথাইল সেলিসাইলেট (Methyl Salicylate) অসিনা ওই।

ভুজাপত্র পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি ভুজাপত্র উগী মকুগী মনুং থংবা লৈরোল অদুদগী শেৎপা চেগুম্বা য়াম্না পাবা মপ্রাম অদুদা লাইশোন ময়েকশিং ইদুনা কোনশিল্লবা নৎত্রগা থুপচিল্লগা যন্ত্রগী মনুংদা লাইশোন-তীনশোন তৌদুনা হাপ্পগা লায়না-তীলনা অমদি ফত্তবা মহৈদগী ঙাকথোকপদা নত্তনা য়াইফ-থৌজাল অমসুং পুন্সি নুংশাংহনবগী মথক্তা পোৎশেম যাদু তৌবদগীসু ঙাকথোকহনবা ঙম্মী হায়না থাজনদুনা শীজিন্নে। ভুজাপত্র উগী মকু অদু মখল-মখা কয়াগী চেশিং শাবদসু শীজিন্নে। ভুজাপত্রগী উ অসি মহুৎ কূপ্পা (Fine grains) অমসুং ময়ায় ওইরপ্পা কনবা মরম্না য়ূম-কৈ শাবা, উপু-কাংথোল চনবা অমসুং অতোপ্পা উগী পোৎলমশিং শাবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নে। পান্বী অসিগী উ অসি লৈশৌ (Termite) ইচা-চাদবা মরম্না লৈবাক্তা য়ুংনবা য়ূমগী উখোং ওইবসু মতিক চাই।

ভুজাপত্র পান্বীগী উ অসি শীং ওইনা থাবদসু থোইদোক্লা মগুন লৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না ভুজাপত্র পান্বীগী উগী মকুগী মনুং থংবা শরুক (ইন্নর ৱার্ক) অদু মচেৎ-মচেৎ শেৎলগা নুংশাদা ফজনা কংহল্লগা কূপ্না তকখায়রগা লৌবা মকুপ অদু য়ামগা তোৎলগা শেম্বা তল অমসুং কেকশিং অদু য়াম্না পাম্না চানৈ। চাক তাঙবা থোরকপা মতমদা হায়রিবা তল অমসুং কেকশিং অদু থোইদোক্লা শীজিন্নবা থেংনৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না ভুজাপত্রগী নৌতক তৌবা উগী মকু অদু থক্লবা ঈশিং হেন্না লুহন্নবা অমদি মহিক মতাই য়াওরম্বশিং হাৎনবা হাপ্তুনা শীজিন্নে। কনাগুম্বা খরনদি হায়রিবা উগী মকু অদু মচেৎ অমত্তং হাপ্তুনা তীংলগা থম্বনা ঈশিং অদু তোপ তোপ্পা মহাও পীবা ঙম্মী হায়নসু থাজনৈ। অদুবু মদু বিজ্ঞানগী ওইবা মীৎয়েংদা কয়া য়াম্না চুম্বগে হায়বগী পাউদমদি ফংদে। ভুজাপত্রসি হিন্দুশিংনা অশেংবা পান্বী অমনি হায়না লৌনবা মরম্না থক্লবা ঈশিংদা উ অসিগী মকু অদু ঙাইহাক তীংলগা থক্লবদি মীওইবগী অনা-অয়েক অমসুং পূক্নিং লৌশিং পীবা ঙম্মী হায়না থাজনদুনা শীজিন্নে। হীদাক ওইনা ভুজাপত্রগী উগী নৌতক তৌবা মকু অদু ফজনা শুগাইরগা লৌবা অনঙবা মহী নৎত্রগা মলম অদু তৈবা অমদি মপং অদু থোমদুনা বেন্দেজ ওইনা য়েৎতুনা লীন্না চিকপদা লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। শরূ তেকপদা ভুজাপত্র উগী মকু অদু শুগাইরগা বেন্দেজ ওইনা য়েৎলগা অতেকপা শরূ শন্বসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরকপগী পাউদমসু লৈ। শরূগী কাং লৈথেকপা অমসুং শীংলি-নাওরি থুপ্পদসু হায়রিবা অশেন্বা অসি থোমদুনা শীজিন্নে। য়াম্না কুইরবা মতমদগী ভুজাপত্র উগী মকু কংতক তৌবা অদু মৈ থাদুনা তীল-কাং তান্থোকপদা শীজিন্নরক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।